# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বিরেন্দর সিংহনা পায়রম্বা রাজ্য সভা সিটকী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বিরেন্দ্র সিংহনা পায়রম্বা হরিয়ানগী রাজ্য সভা সিটতা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে।

বিরেন্দ্র সিংহনা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১ ফাওবা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইগদবনি অদুবু জন্যুৱারী ২০দা মহাক ফম থাদোকখি। হাঙদুনা লৈহৌরবা সিট অসি মেনশিন্নবা মার্চ ২৬তা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখি। নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংৱাইরমদা ভোট মশিং থীবগী থবক পায়খৎলগা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মার্চ ২৬গী মতুং তারকপদা বি জে পিগী ওইনা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউতা সিট মশিং অহুম হন্থরগনি হায়রি। মার্চ ২৬তা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ১৭কী রাজ্য সভা সিট ৫৫গী মীখল পাঙথোক্লগনি। অপুনবা সিট ৫৫গী মনুংদা ৫১দি এপ্রিলদা হাঙলগনি। সিট ৪দি মাংজৌননা রিজাইন তৌবা লৈখ্রে।

অপুনবা সিট ৫৫গী মনুংদা বি জে পিনা ১৫ পায়রম্বনি। হৌজিক্তি পার্টি অসিনা শুপ্পগী সিট ১২দগী হেন্না ফংবা ঙম্লোইদৌরি। কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশতা পার্টি অসি শোইদনা মায়থিরগনি। চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরিবা বিহারদসু বি জে পিনা মায়থিবা ফংলগনি।

অমরোমদা কোংগ্রেসকী ওইনা অপুনবা সিট ১১ পায়রম্বদগী সিট ৯দা হন্থরগনি হায়রি। বি জে পিনা লৈঙাকপা হিমাচল প্রদেশ অমসুং হরিয়ানাদা কোংগ্রেসনা মায় পাকপা ঙম্লোইদৌরি। মার্চ ২৬কী মতুং তারকপদা বি জে পিগী ওইনা অপুনবা সিট ৮২ লৈরম্বদগী ৭৩দা হন্থরগনি। অদুম ওইনমক বি জে পিনা এন দি এদা য়াওমিন্নরিবা অতৈ পার্টিশিং, এ আই এ দি এম কে, জে দি য়ু, সিরোমনি অকালি দল, অসোম গন্না পরিষদ, বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট, সিকিম দেমক্রেটিক ফ্রন্ট অমদি রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়াগা পুল্লগা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা পুন্না সিট ১০৭ পায়বা ঙম্লগনি।

মসিগীসু মথক্তা ইন্দিপেন্দেন্ট মরি অমদি নোমিনেট তৌরকপা এম পি অহুমনা এন দি এদা শৌগৎলি। ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টি, টেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিতি, নাগা পিপলস ফ্রন্ট অমদি বি জে দিনচিংবা অতৈ পার্টি খরনসু শৌগৎলকপা মরম্না বিল পাস তৌবদা লায়না থোক্লগনি।

কুমজা ২০২২দা ওপোজিসননা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা রাজ্য সভাগী মীখল পাঙথোকপা মতমদা বি জে পিগী ফিভম শোকচিল্লক্লগনি হয়রি।

উত্তর প্রদেশতা বি জে পিনা সিট মঙা অমসুং কর্ণতকাদা সিট অমা ফংবগা লোয়ননা চহী অসি লোইশিল্লকপা ফাওবদা বি জে পিগী অপুনবা রাজ্য সভাগী এম পি মশিং ৮৫ য়ৌরগনি। এপ্রিলদা পাঙথোক্কদবা মীখলদা ফিভম শোক্লবসু জুন অমদি নবেম্বরদা পাঙথোকপা মীখলশিংদা ফিভম ফগৎলক্লগনি হায়রি।

# পূক্লিং ইথিল পীবা ঙম্বা নুপী অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সোসল মিদিয়া একাউন্ট পীথোক্লগনি হায়রি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা পূক্লিং ইথিল পীবা ঙম্বা নুপী অমদা মহাক্কী সোসল মিদিয়া একাউন্ট পীথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা সোসল মিদিয়া একাউন্ট থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফেসবুক, ত্বিটর ইষ্টাগ্রাম অমদি য়ুত্যুবকী সোসল মিদিয়া একাউন্ট থাদোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং লাউথোকখিবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা 'ভারত মাতা কী জয়' হায়বা স্লোগান অসি অরানবা মওংদা শিজিন্নরে হায়না মরাল শিরকখিবগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা 'ভরত মাতা কী জয়' হায়বদা নিংজিং-মাংজিংনবা ফাওরি। কোংগ্রেসকী লূচিংবশিংনা মরৈবাক নিংবা খোল্লাউ লাউনিংবগী অপাম্বা লৈতে হায়না হান্নদগী বি জে পিনা মরাল শিদুনা লাকখিবনি।

মমাং চয়োলদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা বি জে পিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা 'ভারত মাতা কী জয়' হায়বা খোল্লাউবু অরানবা মওংদা শিজিন্নবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে।

প্রোফেসর পুরুসোতম অগরৱাল অমদি রাধা কৃষ্ণনা ইবা 'এন এন্থোলোজি ওফ স্পিচ, এসে এন্দ লেটর্স ওফ জৱাহরলাল নেহরু' অমদি 'হু ইজ ভারত মাতা' হায়বা লাইরিক অনী ফোঙখিবনি।

জৱাহরলাল নেহরুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা নৌহৌনা পল্লদুনা মনমোহন সিংহনা হায়খি, ভারত মাতা হায়বসি কনানো অমসুং মায় পাকহন্নিংলিবনা কনাবুনো। হান্নদগী হৌনা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা ভারত মাতাগী স্লোগানগা মরী লৈননা অকনবা মওংদা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।

চহী অনীরোমগী মমাংদা মতমদুগী বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খি, কোংগ্রেসনা 'ভারত মাতা কী জয়' হায়বা খোল্লাউ লাউবদা ইকায়বা পোল্লি। রজস্থানদা কোংগ্রেসকী ৱার্কর অমনা 'ভারত মাতা কী জয়' হায়বা খোল্লাউ লাউনবা থৌরাং তৌরকপদা অতোপ্পা মীওই অমনা মরক থৎলগা 'সোনিয়া গান্ধিকী জয়' হায়না লাউহনখি।

কোংগ্রেসকী লূচিংবশিংনা খল্লিবা ৱাখল্লোন পূম্নমক থৌওং অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। পার্টি অসিদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেন্দে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

# চপ চাবা মশিং খঙদ্রি: হোম মিনিষ্ট্রি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

মতিক চাবা চে-চাং পায়রগা চঙলকপা নত্তবনিনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট কয়া য়াম্না চঙলকখ্রবগে হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং অমগী পাউখুম পীখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়ের্স নিত্যানন্দ রাইনা হায়খি, কুমজা ২০১৪গী এপ্রিল ২৪ অমসুং কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ের্সনা মপাল লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপশিং হলহনখিনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিতোরি খুদিংমক্তা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখি।

অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ খন্দোক্লবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদসু মিনিষ্ট্রিনা অনীরক হন্না অইবা চেরোল থাখি। ফোরেন্নর্স এক্ট ১৯৪৬ অমসুং পাসপোর্ট (এন্ট্রি ইন্টু ইন্দিয়া) এক্ট ১৯২০গী মখাদা চাং নাইনা মীতোপ খন্দোকপগী থৌরাং লৌখৎলি।

ফোরেন্নর্স এক্ট ১৯৪৬কী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মপাল লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ পূম্নমক তান্থোকপা ঙম্মি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মিনিষ্টরনা হায়খি, পাসপোর্ট (এন্ট্রি ইন্টু ইন্দিয়া) এক্ট ১৯২০গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা পাসপোর্ট য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ পূম্নমক হলহনখিবা ঙম্মি।

কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৫৮-গী মতুং তারকপদা মীতোপ তান্থোকপা ঙমবগী মতিক-ময়াইশিং লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিতোরি পূম্নমক্তা পীরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিল্লি য়াওনা য়ুনিয়ন টেরিতোরি পূম্নমক্তা মীতোপ খন্দোক্লগা তান্থোকপা ঙম্বগী মতিক-ময়াই পীখি হায়রি।

# কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা নোইদাগী স্কুল পূম্নমক থোঙ লোনখ্রে, এগজামশিং য়েথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

নোইদা অমদি গৌতম বুধা নগরগী চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংনা মপাল লৈবাক্তগী লাকপা মীওই পূম্নমক হেল্থ মিনিষ্ট্রিদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না খঙহনখ্রে। চাইনা, ইরান অমদি সিঙ্গাপোর য়াওনা লৈবাক ১৩দগী থুংলখিবা মীওইশিং স্ক্রিন টেস তৌগদবনি হায়নসু সী এম ওনা খঙহনখি।

চৈরকশিদা মহৈরোয় অমগী মপা কোরোনাভাইরস নারে হায়বা রিপোর্ট ফংবদগী নোইদাদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমা থোঙ লোনশিনখ্রে। উত্তর প্রদেশকী হেল্থ ওথোরিশিংনা স্কুল অদুদা মথৌ তাবা মেদিকেল টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় অমগী ব্লদ সেম্পল চাংয়েং তৌনবা থাখ্রে হায়রি।

ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস ত্বেল্বকী বোর্দ এগজাম নত্তনা স্কুল অসিগী ইন্টর্নেল এগজাম পূম্নমক কেন্সেল তৌখি। হেল্থ ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয় ৪০ রোম য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২৮ নাইতোম থম্নবা পাউতাক পীখ্রে হায়না গৌতম বুধা নগরগী চীফ মেদিকেল ওফিসরনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা স্কুলগী ওফিসল অমদা হায়খি, মহৈরোয় অমগী ইমুং-মনুংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগা পাউ ফাউনদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু সী এম ওনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, দিল্লি, টেলঙ্গনা অমসুং জয়পুরদা ঙরাং কোরোনাভাইরসকী কেস অহুম থেংনখ্রবনি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কোরেনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদু ময়ুর বিহারদগীনি হায়রি। হায়রিবা মীওই অদু হন্দক্তা ইটলিদা চৎলুবা লৈখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মীওই অদুনা অগ্রদা পাঙথোকখিবা বর্থদেগী থৌরম অমদা স্কুল অসিগী মহৈরোয় অনী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা মীওই পূম্নমক কুপ্না য়েংশিল্লি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈরগা ভোট থাদরিবা বাংলাদেসি পূম্নমক ইন্দিয়ন ঙাক্তনি: মমতা



কোলকতা, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):

বাংলাদেসতগী চংলকখিবা তারবসু ৱেষ্ট বেঙ্গালদা লৈরগা মীখলদা ভোট থাদরিবা মীওই পূম্নমক ইন্দিয়াগী সিটিজন ঙাক্তনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) শৌগৎপা অমসুং শৌগৎতবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা মীওই ৪৬ শিখিবগী মতাংদা মমতা বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ন্যু দিল্লিগী মতৌগুম ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী এ এ শৌগৎপা অমসুং শৌগৎতবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক থোকহল্লোই। বাংলাদেসতগী চংলকখিবা মীওইশিংসু ইন্দিয়াদা লৈরবনিনা হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইরে। মতম শাংনা ভোট থাদদুনা লাক্লবা মীওইশিংবু লৈবাক্কী সিটিজন নৎতে হায়না তান্থোকপা চুমদে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা তান্থোকহল্লোই হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, রেফুজি অমত্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈতে। মতম শাংনা ভোটিং রাইত ফংদুনা লাক্লবা মীওইশিংনা অমুক হন্না সিটিজনসিপকী এপ্লিকেসন পীশিনবা মথৌ তাদে। দিল্লিদা থোকখিবা খৎনা-চৈনবা থৌদোক্কী মতাংদা মমতা বেনর্জিনা হায়খি, নোর্থ ইষ্ট দিল্লিদা কাংলূপ মশেল খুৎ থোক্লখিবগী থৌওং অদু লৈঙাক্লা শৌগৎলগা মীওই কাংলূপ অমা তুম্না হাৎনবগী থৌরাংনি হায়না লৌফম থোকই।

দিল্লিদা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিখিবদা থম্মোই শোক্লা নুংঙাইতবা পোকই। লৈঙাক্লা শৌগৎলগা মীওই কাংলূপ অমা তুম্না হাৎনবগী মতাংদা লৌখৎলকখিবা থৌরাং অদু মীপূম খুদিংমক্তা কন্দেম তৌফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**পাউজেঞ্জরি**

লাক্লিবা এপ্রিল ১,২০২০দগী হৌরগা তাং ৫ ফাওবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ত্রেনিং অমা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সোসাইটি, ককচীংনা পাঙথোকচগদৌরি। পাঙথোক্কদৌরিবা আইটেমশিংদি :- (১) উহৈদগী অচার শেম্বা অমদি লীবা। (২) চানবা অচা-অথক শেম্বা-শাবা। (৩) ধুপ শাবা। (৪) চেঙ্গুম (উয়েন) থাবনি। হায়জরিবা ত্রেনিং মখলশিং অসিবু য়াওবীনীংবা লৈবশিংনা অকূপ্পা মরোল মখাগী এদ্রেস অসিদগী খঙবীবা য়াগনি।

**পাউজেঞ্জরিবা :- ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সোসাইটি ককচীং**

**Regd. No. 9 of 2018-2019**

**Contact No. 7005396031**

HL-B/6103/4

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 171/SDC/IW (P) of 2020**

Moirangthem Chandrabi Devi W/o (L) Thoiba Singh of Langjing Achouba Awang Leikai. ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Shri Moirangthem Thoiba Singh S/o Bokul Singh of Langjing Achouba. ...O.P. Party

**NOTICE**

3rd March, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪ - লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ৩১ (অরিবা), ৩০৯/৮২৮ (অনৌবা), দাগ নং ৮৫২গী পোইন্ট ০.১৩৪০০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাহক্কী স্বত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/০৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথ্বরগনি।

HL-P/6270/4 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 170/SDC/IW (P) of 2020**

Moirangthem Chandrabi Devi W/o (L) Thoiba Singh of Langjing Achouba Awang Leikai. ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Shri Moirangthem Thoiba Singh S/o Bokul Singh of Langjing Achouba. ...O.P. Party

**NOTICE**

3rd March, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪ - লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ৩১ (অরিবা), ৭১৭ (অনৌবা), দাগ নং ৫৮২/৯৬২গী পোইন্ট ০.১৮০০১ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/০৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথ্বরগনি।

HL-P/6270/4 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No.85/SDC/M dt. 02/03/2020**

R.K. Ibemu Devi W/o (Late) R.K. Bimol Singh of Singjamei Mayengbam Leikai, Oinam Thingel, Imphal West.

-Vs-

(Late) R.K. Bimol Singh S/o (Late) Thambou Singh of Singjamei Thongam Leikai.

**NOTICE**

Moirang, the 2nd March, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৪৯ - খোইরেন্তাক্তা লৈবা পাট্টা নং ৬ (অনৌবা), সী এস দাগকী নং ২৫১, এরিয়া ৩.৪৭ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচানা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথ্বগনি।

HL-P/6547/04 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mut. Case No. 68/SDC/Hiyanglam Dt. 19/02/2020**

1. Mayengbam Ibeyai Devi W/o (L) M. Jiten Singh of Wabagai Teraurak.

-Vs-

1. Irengbam Brajagopal Singh S/o (L) Anganghal Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai.

**NOTICE**

25/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬৬ ৱাবগাইগী পাট্টা নং ৩৫ অনৌবা, দাগ নং ৪১৬, এরিয়া ১.১৩০০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা অপূনবা এরিয়া অসিগী মনুংদগী দংকারি অসিগী ফংফম থোকপা এরিয়া ০.৩৬৯২ হেক্তর চাউবা শরুক অসি দংকারি অসিগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথ্বজরগনি।

***Sd/- Sub-Deputy Collector, Hiyanglam***

HL-P/6548/4

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-V**

**Ref :- Mut. Case No. 135/AS&SO-(V), 2020**

Yuingamla Shokwungnao D/o (Late) S.W. Tharmi of Tashar Village, Ukhrul District, Manipur. A/P - Tangkhul Avenue, Imphal East. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) S.W. Tharmi S/o (L) Ramkai of Tangkhul Avenue Imphal East District.

**NOTICE**

Dt. 3/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ১১-লাইফম সিফাইগী পাট্টা অরিবা নং ২৩১, অনৌবা পাট্টা নং ২৮৫, দাগ নং ৩৫০, এরিয়া ০.০৪ চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচেদা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/6544/4 **Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-V**

**থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা ABDUL HAK পু**

অৱাবা খাংদুনা লাকখি শাংলবা চহী ৯½। হংখি-থিখি চৎ-চৎতুনা মফম কয়াদা। য়েংলুই মণিপুরগী ওজা মাইবা কয়াদা। হিদাকশিং চাজখি অদুবু অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গৌইগী ওজা অবদুল হক Contact No. 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুংঙাইতবশিং - শৌজগী মপান্দা পেরে থোকপা, শোকপদা নাবা, চিকপা-শাবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মপুং ফাবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ য়াওবা, চানীংবা পোক্তবা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবনি। হৌজিক্তি পাইলস মপূং ফানা ফজরে। চাবা-থকপা য়ারে, অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজা অবদুলবু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Inaocha**
Sagolband Salam Leikai

HL-P/6245/4

**থাগৎচরি/য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা শিথবা অদুগা অমুক ফখিবা, নাকোং ঙংবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ফম্লুরগা ফুক হেক্তা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা শিথবা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইনুংতা নুংঙাইতবা, পোৎ অমা খূৎনা পায়রগা চৎপদা তাহৌবা খঙহৌদবা খূৎ অসি ইপোমতা পোম্বনা মরম ওইদুনা, নাকোং ঙংবা, নাকোংদা ব্রং-ব্রং লাউরগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা চাবা হেক্তা তুমদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, চাকখাও শোকপা, ওনীং-ওনীং তৌরগা লৈবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হান্নগসু হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্বা, তাং-তাং চিকপা, কল্লাক মরী নাবা, মসলশিং অসি চিকপা-নাবা, ফম্লুরগা ফুক হেক্তা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা মরমদি খুকউ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শূবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক নাবা, য়াংলেন শরদ্দা চেল্লগা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/6160/4 *থাগৎচরিবী:* **Kh. Inaobi Devi, Ningthoukhong**

**থাগৎচরি/ওজা রিয়াজ পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা য়াম্না তাঙবা ওজা অমনি**



অমুক্তং ওজা কবিরাজ রিয়াজউদ্দিনগী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি। পৈশাতা তিংখি, অৱাবা অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা রিয়াগা থেংনজবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা - খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা অমদি য়াওবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা-শাবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবা, অৱাবা নুংঙাইতবা খুদিংমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম তৌরে। মরম অসিনা এৱার্দ কয়া ফংলবা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**লায়েংফম :-1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal (10:30am - 4:30pm)**
**2) Mayang Imphal Konchak Bazar. (6:30am)**

**Contact Nos. 7085494783, 9856797338**

HL-P/7006/4 *থাগৎচরিবা :* **Y. Ajid Singh, Yairipok**

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR**

**NOTICE OF OBJECTION**

**Imphal, the 27th Feb., 2020**

**No.P/M/SR/2019 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Kurash Association of Manipur" on 2nd September, 2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Association for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies, Manipur

HL-P/6530/2,3,4

**ADMISSION OPEN**

**PHOENIX ENGLISH COACHING**

**FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)**

**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK**

**Detailed explanation of every lesson**
**Complete discussion of exam-related questions**
**Free supply of printed questions and answers**
**Weekly exam-oriented tests.**

**Nowhere can you find such English coaching class.**

**CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.**

**6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.**

**PLEASE CONTACT 8974642764**

HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)

OFFICE OF THE

**Kanglei Leimarol Leishemba Group ( K.L.L.G )**

***MantripukhriKalibariNear Bishop House,Imphal East,Manipur-795002***

**No.015/02/2019 –KLLG** **Date: 20/02/2020**

**Job Vacancy**

Applications in plane paper along with resumes are inviting from energetic and dynamic smart educated persons who have the willingness to work for the post of **Recovery Officers(R.O)** in our emerging company .

***Essential Qualification***: 10+2 and above in any stream from recognized Board/University.
Experience in Loan recovery and having computer knowledge is preferred.

*Salary* : Rs.6,000 + Allowances
*Last date of Application Submission* : 16th March 2020
*Date of Interview* : 20th March 2020

**N.B :The applicants should posses their own vehicle.**

Sd/-
Manager (L.F)
**8837483007**

HL-P/6248/23,25,27,29,2,4,6